এম এল এ সুশিন্দ্রোনা ওল মণিপুর আর্টিষ্ট রিলীফ কম্মিটিদা লুপা লাখ ৩.৭ খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর আর্টিষ্ট রিলীফ কম্মিটিদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাওন্সিল অমদি ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী মখাদা লৈরিবা আর্টিষ্টশিংদা তেংবাংনবা রিলীফ কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা খুরাই এ সীগী এম এল এ এল সুশিন্দ্রোনা লুপা ৩,৭০,০০০ খুৎশিন্নখ্রে।

মতেং খুৎশিন্নবগী থৌরম ঙসি অয়ূক পূং ১০ তাবদা পেলেস কম্পাওন্দ ইম্ফালদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা অচন্বা থৌরম অমদা ফিল্মগী আর্টিষ্টশিং অমদি শুমাঙ লীলাগী আর্টিষ্টশিং শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা রিলীফ কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা খুরাই এ সী এম এল এ সুশিন্দ্রোনা হায়খিবদা তেংবাং অসি অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা পীজবনি। অতোপ্পা সেক্সন্দা লৈরিবা আর্টিষ্টশিংগীসু কম্মিটিগী ওফিস সঙ্কর টোকিজ সনাকৈথেলদা লাকপীদুনা কম্মিটিগী মীহুৎশিংগা তান্নমিন্ননবা আপীল তৌরকপগা লোয়ননা আর্টিষ্টশিংসু পূক্লিং ফাথবীদুনা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্তুনা লৈনবা হায়রক্লি।

কম্মিটি অসিগী কনভেনর রঞ্জিৎ নিংথৌজানা এম এল এ সুশিন্দ্রোবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা হায়খিবদা চহী অনী চুপ্পা অৱাবা চৈথেং ফংলবা কনা অমত্তনা খঙবীদ্রবা মতমদা এম এল এনা অচৌবা মতেং অমা পাংবীরকপবু আর্টিষ্টশিংগী মহুৎ শিঞ্জরগা পূক্লিংদা অপেনবা পোকই হায়খি। আর্টিষ্টশিংবু নুংশিবীদুনা রিলীফ কম্মিটিদা মতেং পাংবিনবসু আপীল তৌরক্লি। লোয়ননা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা শুমাঙ লীলা অমদি ফিল্মগী আর্টিষ্টশিংগী মফমদসু মিনিট অনী তূমীন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

শেন্দোংগী য়েংলগা তৌবা নত্তে : প্রোজেক্ট দিরেক্টর

ককচিং, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মরক অসিদা ফার্মর কয়ানা মখোয়গী লৌ ইঙ্খোলদা থাজবা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ কয়া য়োনফম লৈতবদগী পৎ পুমদুনা মাঙ তাক্লে হায়না ফোঙদোক্লরকপদগী চীফ মিনিষ্টরগী পাউতাক মতুং ইন্না হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসনগী মখাদা মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সি (মোমা)না ফার্মরশিংদগী মনা-মশিং অমদি উহৈ-ৱাহৈশিং লৈরগা ইম্ফাল মনুংগী কঞ্জুমর কয়াদা হোম দেলিভরি তৌরিবা অসি শেন্দোংগী য়েংলগা তৌবা নত্তে। ফার্মর অমসুং কষ্টমরশিংনা লায়না লাইচৎ অসিগী মরক্তা থেংনরিবা অৱাবা কয়া অদু কোকহনবদা মতেং ওইননবা পায়খৎপা থৌরাংনি হায়না মোমাগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর কে দেবদট্টা শর্ম্মনা ফোঙদোরক্লি।

মোমাগী প্রোজেক্টর দিরেক্টর কে দেবদট্টা শর্ম্মনা মীদিয়াদা ফোঙদোরকপদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মরক্তা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মফম কয়াদা ফার্মরশিংনা পুথোকপা মনা-মশিং, হৈ-রা কয়া য়োনফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অদু কোকহন্নবা তৃম্বা চাবা খঙদনা ছুটি ফাওবা থমদনা ফার্মরশিংগী মতেং খরদং ওইরবসু পাংবা ঙম্নবা কথোকপা অমগা লোয়ননা মীয়ামগীদমক হোৎনজরক্লিবা থবক কয়াবু শেন্দোং তানবগী মওংদা উহন্নবা কনাগুম্বা খরনা হোৎনরকপা অসি লাইবক থীবনি। ফার্মর কয়ানা পুথোকপা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ কয়া পৎ পুমদুনা মাঙলগদবা অদু লৈরগা মীয়ামদা হোম দেলিভরিগী খুত্থাংদা ফংহল্লিবা অসি শেন্দোং তানবা নত্তে। পোথোক পুথোক্লিবা ফার্মরশিংগী শেনফম মাঙহন্দনবা হোৎনবনি। লৌ পরী অমদা ফার্মর অমনা তরবুজ থাবদা লুপা লিশিং ৭০-৮০দগী হেন্না চঙদে। অদুগা লৌ পরী অমদগী পুথোক্লিবা তরবুজ অদু কেজি অমদা লুপা ১০দা য়োনবদা ফার্মর অমনা লুপা লাখ ১.৫ রোম ফংই। মসিদা ফার্মরশিংগী শেল মাঙহনবা লৈতে। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা গ্রাউন্দ লিএলিটি খঙলগা অশোয়বশিং অদু চুমথোক্লবা হায়বিরক্লবদি তরাম্না ওক্লনি। মদু নত্তদুনা মীয়াম্না লান্না উখিবা য়াবা ৱাফম ফোঙদোকপদি তৌবিগনু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। ৱাফমশিং অসি থল্লকখিবা অদুদা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসন অমসুং মোমাগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

য়ু সী এমনা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা জুন ১০দা মশাগী চহী ১০খক্তা ঙায়রিবী নুপীমচা অমবু সাউথ দেল্লীদগী রুপেস কৌবা নন মণিপুরী অমনা নুপী ওইবীগী ইকাইখুম্নবা মাঙহনখিবা থৌদোক অমদি নুমিৎ অসিমক্তদা মোরেদা মশাগী চহী ৮খক্তা ঙায়রিবী নুপীমচা অমবু নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা তেমশিংনখিবা থৌদোক অনীমক য়ু সী এমনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা কন্দেম তৌই হায়না য়ু সী এমগী আই পি আর সেক্রেটরি বি এম য়াইমা সাহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মপান্দগী লাকপা নন-মণিপুরীশিংনা লমদমসিগী নুপী অঙাংশিংদা চথুরক্লিবা থৌওংশিং অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। মমাঙদসু কয়ারক হন্না থোকখিবা লৈবাক মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মতুংদসু থোরক্লোই হায়বা তম্বা ঙমদ্রি। মরম অসিনা মরাল লৈবশিং লোগী মতুং ইন্না মতীক চাবা চৈরাক পীহৌবা চুমগনি। কা শানবিরিবা ইচিল ইনাওশিংনসু মপান্দগী লাকপা নন-মণিপুরীশিং থম্বীবদা খরা হেন্না কুপ্না থিজিনবিরগা মশক খঙনা থম্বিয়ু। মপান্দগী লাকপা ক্রাইম চেন্নবা মীওই কয়া লমদমসিদা লৈরম্বদগী পুলিসনা ফাগৎখিবা কয়াসু য়াওখ্রবনি। মরম অসিনা মপান্দগীবু ওইগেরা, ষ্টেট অসিগী মনুংদগীবু ওইগেরা মরাল লৈবশিং লোগী মতুং ইন্না মতীক চাবা চৈরাক পীহৌবা চুমগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ফৌথোক লৈবা ফৌদি য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস) : লম্লাই মায়কৈবু ফৌথোক চাথোক মরাং কায়বা এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সি অমা ওইনবগী পান্দমদা ঙসি পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপানন পুদোংবম গ্রাম পঞ্চায়টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লেম্না ফৌথোক লৈবা ফৌদিশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না লম্লাই মপারি থৌগল লুপকী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম বোবিসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, অপুনবা লৌমী খুন্নাই লম্লাইগী মখাদা লৈবা লৌশাংখোং লৌমী লুপ, সেক্তা অৱাং লৈকায় লুপ, সেক্তা মখা লৈকায় লৌমী লুপ, সেক্তা ময়াই লৈকায় লৌমী লুপ, পুংদোংবম অৱাং লৈকায় লৌমী লুপ, পুংদোংবম মখা লৈকায় লৌমী লুপ, পুংদোংবম ময়াই লৈকায় লৌমী লুপ, শঞ্জেনবম খুনৌ লৌমী লুপ অমদি শঞ্জেনবম খুলেন লৌমী লুপকী লৌমীশিংদা লম্লাই মায়কৈদা ফৌথোক মরাং কায়না পুথোক্লবগী পান্দমদা তিঞ্জং-কায়জংলরোইদবা ফৌদিশিং অসি লেম্না খুৎশিন্নখিবনি।

ফৌদি য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা অপুনবা লৌমী খুন্নাই লুপকী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম রঘুমনি য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি। ওল্লকপা চহীদা লম্লাই এ সীগী লৈরিবা অপুনবা লৌ পরি লিশিং ১২ রোমদা লেম্না ফৌদি ফংহনবা ঙম্নবা হোৎনগনি। ঙসি লেম্না ফৌদি য়েন্থোক্লিবা অসি লম্লাই মায়কৈগী লৌমী মীয়াম্না হৌখিবা চহী কয়াদা মশা-মশাগী ফংফম থোকপা চাকথুং ফংজবা ঙমদনা লৈরম্লিবসিগী ৱাহন্থোক খঙমিন্নসি হায়না থৌরম অদুগা মরি লৈননা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট সাপম কংলৈপানন ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মাস টেষ্টিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস) : শগোলবন্দদা লৈবা লুক্রাম লৈরক য়ূথ ক্লবনা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স অমা শেমদুনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎতগী মীওইবগী পুন্সি কন্ননবা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মণিপুর লৈঙাক্কী য়াম্না পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইরবা মাস টেষ্টিং প্রোগ্রামদা শরুক য়াবগা লোয়ননা ক্লব অসিনা শিন্দুনা লৈকায় অসিদা টেষ্ট তৌবগী থৌরম অমা ঙসি মায়পাক্লা পাঙথোকখ্রে। পাৎশোই এ সীগী এম এল এ, একে মীরাবাই, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী, হেল্থ সর্ভিসকী দিরেক্টর, সী এম ও ইম্ফাল ৱেষ্ট, এস দি ও পাৎশোয়, মেদিকেল ওফিসর অমসুং ষ্টাফশিংনা অখন্ননা মীৎয়েং চঙদুনা মাস টেষ্টিংগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

কোভিদ টাস্ক ফোর্সশিংনা কোভিদ থেংনবদা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে

ককচিং, জুন ১৬ (ঐচ এন এস) : ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিদা কোভিদ-১৯ থেংননবা শেমখিবা কোভিদ টাস্ক ফোর্সকী থৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং, অমদি মতৌ করম্না হেন্না খুমাঙ চাওশিন্না লায়না অসি থেংনদুনা মীয়ামগী মতেং পাংবা ঙমগনি হায়বগী মতাংদা ককচিং এসীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বর, দি সী ককচিং, এস পি ককচিং, সী এম ও ককচিং য়াওনা ঙসি সী দি ওফিস ককচিংদা খন্না নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা টাস্ক ফোর্সশিংগী মায়কৈদগী মখোয়না হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা অৱাৎ অপাশিং, খুদোংচাদবশিং, লোয়ননা মখোয়না পায়খৎহন্নিংবা থবক থৌরমশিং এম এল অমদি মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউদমখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা এম এল এনা টাস্ক ফোর্সশিংগী মেম্বরশিংনা পুখৎলকপা ৱাফমশিং অমমমতা ওইনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীওইশিং য়াওনা সোল্ব তৌবগা লোয়ননা ককচিং এসেমব্লি কন্সষ্টিট্যুন্সিদা হাংলিবা সী ঐচ আই সীশিং অসি চলাইবদা চঙবা ঈশিং লৈবগী শেনফমশিং মহাক্না পুথোক্কনি হায়খি। লোয়ননা টাস্ক ফোর্সনা মেম্বরশিংনা কথোকপা অমগা লোয়ননা মীয়ামগী থৌগল তৌমিন্নসি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

দি সী ককচিংনসু লায়না অসিবু থেংননবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনন পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

এস পি ককচিংনসু টাস্ক ফোর্সশিংবুসু পুক্লিং থৌগৎলদুনা টাস্ক ফোর্সশিংনা মাগী মাগী লৈকায়দা লৈঙাক্না পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্তবা, চৎনা কাঙলোন ঙাক্তনা থবক তৌবশিং হকথেংননা য়েংশিনহন্নিংবগী অপান্বা ফোঙদোকখি।

‘সেকমাইদা কর্ফিয়ু লৈতবগুম তৌরে’

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ অনীশুবা ৱেভ থেংননবা লৈঙাক্না মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা থল্লিবা কর্ফিয়ু অসি সেকমাইদদি লৈতবগুম তৌরে হায়না য়ুনাইটেদ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (য়ু নি ও)গী জেনরেল সেক্রেটরি বুয়াময়ুম লিয়াকৎ অলিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সেকমাইগী লম্বীশিংদা লেপ্পা লৈতনা গাড়ী অমদি মীওই কয়া চথোক চৎশিন তৌরি। মফম অসিদা লৈঙাক্লা এস ও পি ঙাক্তবা অমদি সেকমাই পুলিসনা মরম চানা কর্ফিয়ু মেন্টেন তৌদবনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি পাক্তক্লনা শন্দোরক্লবদি মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্লবগী ফিভমদা লৈরে।

অমরোমদা সেকমাই পুলিসনা ইন্টর্নেসনল হ্যুমেন রাইটস এসোসিয়সন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি জাংহাওলুং হাওকিপপু সেকমাই পুলিসনা তমথিনা ফূরকপা অসি মরম চাদে। জাংহাওলুং হাওকিপনা য়ু দি ওগী মীওইশিংদা পাউদমলকপগী মতুং ইন্না মহাক্না অথুবা অমগীদমক থোক্লুবদা পুলিসশিং অদুনা টি আর ককউ হায়রকপদা জাংহাওলুন হাওপিকনা কর্ফিয়ু থুগাইরিবা অতে গাড়ি অমদি মীওইশিং অসি ফাবীয়ু হায়বদা খুৎ থারকপনি হায়না ফোঙদোরকখি। লোগী মীৎয়েংদা কর্ফিয়ু থুগাইরিবা মীওই খুদিংমক চপ মান্ননা চৈরাক ফংফম থোকই। পুলিসনা মীওই খরা অমনা ফাজীনবা খরা অমনা থাদোকপা হায়বসি চুমদে। মরম অদুনা চেন্নরিবা পুলিস পার্সনেলশিংগী মথক্তা লৈঙাক্না ইনভেষ্টিগেট তৌবিয়ু। অমদি লোগী মতুং ইন্না ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহনবিয়ু। লোয়ননা, সেকমাই পুলিস ষ্টেসনন কোল্লিবা এরিয়াশিংদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা কর্ফিয়ু মেন্টেন তৌবিয়ু হায়না লৈঙাক্কী পুক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

Watermelon
Home Delivery toujari.
Price –Rs 13/per kg(No Delivery charge)
Minimum order(For Greater Imphal) 20 Kg
Minimum order(15km from Imphal) 100kg
Please order at:
7005110838
7005372214
HL-P/9810/15,16,17
Fast & Free
DELIVERY

লৌশিং পুক্কে

ঈ পীবগী মতাংদা

মীয়ামগী মফমদা লৈরিবা অরানবা থাজনবশিং-১

MYTHS
ABOUT
BLOOD
DONATION

মালেমগী ওইনা ব্লদ দোনরশিংনা চহী খুদিংগী ঈ য়ুনিট মিল্লিয়ন ১০০ দগী হেন্না দোনেট তৌরি। ঈবু ষ্টোর তৌদুনা থম্বা য়ারিবা অসি অকক্লবা মতম খরক্তনি, মরম অদুনা চাং নাইনা ঈ দোনেট তৌনবা পুক্লিং থৌগৎপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না হায়রি :

‘নহাক্কী ঈ দোনেট তৌনবগী ৱারেপ অমনা পুন্সি অমা কনবা ঙমই, নৎত্রগনা নহাক্কী ঈ অদুগী কম্পোনেন্টশিং (রেদ সেল, প্লাটিলেট অমসুং প্লাজমা) অদু খাইদোক্লরগদি অকক্লবা অনাবশিং লৈবা মীওইশিংদা শীজিন্নবা য়াবা মরম্না মীওই কয়াগী পুন্সি ফাওবা কনবা ঙমই।’

ঐখোয়না খুন্নাই অসিদা ঈ পীবগী মরুওইবা কান্নবশিংগী মতাংদা পল্লদুনা ডা. জেম্স এফ. কেন্নিনা হায়, মেজর ট্রোমা মায়োক্লবা য়াবা পেসেন্টশিং, সর্জরি তৌরিবা পেসেন্টশিং, কেমোথেরাপি তৌরিবা, নৎত্রগা বোন মেরোগী লায়না লৈবা মীওইশিং অসি হিংদুনা লৈনবগীদমক কম্মন ওইনা ঈগী প্রদক্টশিং ট্রান্সফ্যুজন তৌবা মথৌ তাই। য়ু এসতা সেকেন্দ ২ খুদিংগী ঈগী প্রদক্ট অমা ট্রান্সফ্যুজন তৌই, চহীদা পারগদি ট্রান্সফ্যুজন মিল্লিয়ন ২১নি। ডা. জেমস এফ. কেন্নি ন্যু য়োর্ককী ষ্টেটন আইলেন্দ য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালদা দিপার্টমেন্ট ওফ ইমর্জেন্সি মেদিসিনগী এসোসিএট চ্যেরনি।

ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা ঈ ট্রান্সফ্যুজন তৌবগী মথৌ তাবা মীওই কয়া লৈরি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মখোয়শিং অদুদা মথৌ তারিবা ঈ-শিং অদুগীদমক মশা-মউ ফবা মীওইশিংনা ঈ তোয়না পীবা মথৌ তাই। মীয়াম্না ঈ দোনেট তৌনবগী চাং হেনগৎহনগে হায়রগদি মীওই কয়াগী ৱাখলদা লৈরিবা ঈ পীবগা মরী লৈনবা অরানবা ৱাফমশিং হান্না চুমথোকপা মথৌ তারি। তোঙান তোঙানবা এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না ঈ দোনেট তৌবগী মতাংদা মীওই কয়াগী ৱাখলদা লৈরিবা অরানবা থাজনবী (তোকঙা) শিংগী মতাংদা মখাদা পীরি।

তোকঙা ১ ঃ ঈ দোনেট তৌবনা দোনর অদু নাহনবা য়াই

ঈ পীদ্রিঙৈদা হকচাং ফখিবা মীওই অদু ঈ পীরবা মতুংদা হকচাং ফবগী চাং হন্থরক্লোই। অদুমকপু ঈ পীরুরবা মতুংদা মহী মনাইশিং থক্লবা অমদি নোংমা পোথানবা দোক্টরশিংনা রেক্কমেন তৌই, ঈ পীরিবা মীওই অদুগী হকশেলদা খুদোংথীবা থোক্লক্কদবা করিসু লৈতে।

ঈ পীখ্রবা মতুং পুং ৪৮গী মনুংদা মীওই অমগী প্লাজমাগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা ব্লদ ভোল্যুম অদু নোর্মেলদা হঞ্জিল্লকই। অদুগা চয়োল ৪-৮গী মনুংদা হকচাংদগী লৌথোকখিবা রেদ ব্লদ সেলশিং পুম্নমক মহুৎ শিঞ্জিল্লকই।

ফাউন্টেন ভেল্লি কেলিফোর্নিয়াদা লৈবা মেমোরিএল ক্যের ওরেঞ্জ কোষ্ট মেদিকেল সেন্টরদা পেথোলোজিষ্ট অমা ওইবগা লোয়ননা লোং বিচ, কেলিফোর্নিয়াদা লৈবা মেমোরিএল ক্যের লোং বিচ মেদিকেল সেন্টরগী ব্লদ বেঙ্ক, দোনর সেন্টর, এন্দ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনগী দিরেক্টর ডা. ইমান্যুএল টি. ফেরোনা হায়, ঈ দোনেট তৌবা হায়বসি অদুক্কী মতীক ফৈ। মশিং য়াম্লবা ব্লদ দোনর কয়া অমা হেল্থ ক্কেসন্যের অমা মেনশিল্লগা মশাদগী ঈ চিংবদা খুদোংথীনিংঙাই ওইদবরা হায়বদু খঙনবা ব্লদ কাউন্টকী চেক অমা তৌরবা মতুংদা মিনিট ১৫ ফাওবা ফাদবা মতমগী মনুংদা ঈ য়ুনিট অমা দোনেট তৌবা ঙমই। দোনর রিএক্সনশিং থোকপদি য়াম্না তাঙনা থেংনৈ হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

ন্যু য়োর্ককী ক্লিন্সতা লৈবা লোং আইলেন্দ জিৱিস ফোরেষ্ট হিল্সকী চ্যের ওফ মেদিসিন ডা. জোন রাইমোগী মতুংইন্না ঈ পীবা মতমদা সাইদ ইফেক্ট খরদি লৈবসু য়াই হায়রি। মহাক্না হায়খিবদা, ঈ দোনেট তৌরবা মতুংদা খরা চোকথবা নৎত্রগা হকচাং শোন্থবা, কোক ঙাউরি ঙাউরি তৌবা য়াই। হায়রিবা সিম্পটমশিং অসি মশা মথন্তা ফখিগনি, অদুবু ঈশিং থকপা অমসুং অচাপোৎ খরা চাশিল্লবসু য়াই। য়েত্তুম থিনখিবা মফমদুদা নাবা ফাওবা অমদি দাগফমসু লৈবসু য়াই হায়নসু মখা তারি।

ডা. কেন্নিনা হায়রি মদুদি, চহী নৌরিবা মীওইশিং অমদি হকচাংগী অরূম্বা হন্থবা মীওইশিংনা হেন্না কোক ঙাওবগুম্বা থেংনবা য়াই, অদুবু দোনেসন তৌরমদাইদা মহী মনাই থকহৌরবদি অনম্বনা তৌগন্দে।

তোকঙা ২ঃ অহল ওইরবা মীওইশিংদি ঈ পীবা য়াদে

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না মশাগী চহী ১৮দগী ৬৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মশাগী অরূম্বা য়ামদ্রবদা ৫০ য়ৌবা মীওই খুদিংমক্না ঈ পীবা য়াই। অদুবু নীংশিংবা য়াবা ৱাফমদি লৈবাক অমগা অমগগী মরক্তা খেন্নবা খরদি লৈ। খুদম ওইনা য়ুনাইটেদ কিংদমদা ঈ দোনেট তৌগদৌরিবা মীওই অদু চহ ১৭-৬৬দা লৈগদবনি। অদুবু হান্না ঈ পীখ্রবা মীওই ওইরগদি চহী ৭০ শুবা ফাওবা দোনেট তৌবা য়াই।

মশাগী চহী ৭০ হেল্লগসু হৌখিবা থংনবা চহী অনীগী মনুংদা ঈ দোনেট তৌখিবা ওইরগদি ঈ পীবা য়াই হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস): ভলন্টরি হেল্প য়ুনিট কম্মিটি, রিমস হোস্পিটালদা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ হেমাটোলোজি এন্দ ব্লদ ট্রান্সফ্যুজনগা খুৎশম্নদুনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম হন্দক চহীগী ওইনসু জুন ১৮দা ২২শুবা ব্লদ দোনেসন কেম্প রিমস হোস্পিটালদা পাঙথোকচগনি হায়না ভলন্টরি হেল্প য়ুনিট কম্মিটি রিমস হোস্পিটালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে সন্তোশ শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি মণিপুরগী ঙমখে কায়বা য়ারোই হায়বা মীয়ামগী অপুনবা ইহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী থৱায় মিরেলদা ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা হেল্পলাইন অসিনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপনি। অসিগুম্বা কেম্প অসি হৌজিকমালেমগী কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসিনা মীওই ২০দগী হেন্না দোনর ওইবা য়াদবগী অথিংবা লৈবনা চৎন-কাঙলোন অসি ঙাক্লা কেম্প অসি পাঙথোকচগনি। হেল্পলাইন অসিগী মেম্বরশিংনা মতম চানা লাকপিদুনা কেম্প অসি মপুঙ ফাহনবিয়ু। হান্না লাকপা মীওইদা দোনেসন তৌবগী খুদোংচাবা পীজগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

ইকং থাগী মতমদা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লে, নোংজু পান্থাদনা ঈশিং চাওবা লমদমনি

মতম-মতমগী থোকপা অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈবা হায়বসি ঐখোয়গী লমদমসিগী চৎনবি অমগুম অদুমক লোয়নদুনা লৈরি। ইকং থাগী মতমদা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লে। নোংজু থাগী মতমদনা ঈশিং ইচাউগী অৱাবা অমুক মায়োক্লরি। উমং-ৱামং কোকথোকপনা মহৌশাগী খলদা অকায়বা ওইরকই। মরম অসিনা ইকংগী অৱাবা অমদি ঈশিং ইচাওগী অৱাবা থেংনরি। অৱাবা তারবা মতমদা এ সী অদুগী এম এল এশিংনা য়েংশিন খোঙচৎ হেক্তা চৎলি। থৌওং অসিসু হোংদোকপা পামজে। মরমদি মাঙজৌনন য়েংশিনবিরগা শেমজিনবিরবদি অৱাবা মায়োক্লগদবদগী কনবা ঙমগনি। হৌজিক-হৌজিক ইম্ফাল ইষ্টকী দি সী অমদি এস পিগী চৎথোক-চৎশিন ওইরিবা নোংমৈবুং একাদেমি রোদ অদুক্কী মতিক মরুওইরিবা লম্বীনি। লম্বীসিগী নাক-য়েৎসু অদুক্কী মতিক মী কুংনা তারিবনি। লাইবক থীবদি মরু ওইখ্রবা লম্বীসিগী নাক-য়েৎতা ইরম-নালা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা লৈকায়সিদা লৈরিবা মীয়াম অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মতম-মতমগী পানখিবা এম এল এশিংদা হায়জদুনসু লাকখি। অদুবু থবক্তা ওন্থোকপদি ঙসি ফাওবা ঙমদ্রি। অঙকপনি লমদম অসিগী লুচিংবশিং !

❐ ৱাংখৈরাকপম মায়পাক, নোংমৈবুং পুং মখোং

মীয়ামগী মতেং পাংলিবা অসি মখোয়গী ফুরিৎখাউদগী নত্তে হায়বসিসু নীংশিংবিগদবনি

অশেংবনি লৈঙাক্লা ঙসি কোভিদ পেন্দেমিকক্কা মরি লৈননা লৌখৎলিবা থৌরাং অসি তৌফম থোকপা দ্যুটি অদুনি। মসিগীদমক্তনি লৈঙাক লিংলিবা অমসুং মদুবু চলাইনবা মীহুৎ খল্লিবসি। মীয়ামদা পাংলিবা মতেংশিং অসি মহাক-মহাক্কী ফুরিৎখাউদগী নত্তে হায়বসিসু নীংশিংবিগদবনি। ইলেক্সনগী মতমদনা মীয়ামবু লাইগুম্না খনবা অদুগা পৱার পায়খ্রকান্দনা ৱাজাউ ঙাঙবগী হৈনবী শাজৎ থাদোকপীগদবনি। লৈবাক মীয়ামবু মনতিক্লনা হন্থনা খক চৈ-থাংবা তৌরোইদবনি। কাউবিগনু মীয়াম্না লাইনি, মীহুৎশিংনা ভক্তা ওইগদবনি। মরম অদুনা ভক্তি লৈবা উৎকদবনি। মোরেল ৱাংবা রেসপোন্সিবল লৈবা লুচিংবা ওইবগী লমচৎ উৎকদবনি। লৈবাক মীয়াম্বু তুমিৎ-কাংগুম্না উবা হায়বসি লুচিংবা অমগী মগুন নত্তে। অদুগুম্বা অরানবা শাজৎ চৎপা মীওইশিং হায়বদি লুচিংবশিং অদু লৈবাক মীয়ামদা লাল্লে হায়না হায়জগদবনি। মদুনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফবা ওইবত্ত নত্তনা লমদম অসি ঈংনা-চিক্লা পান্দুনা চাওখৎ লম্বীদা মাঙজিন থাবা হায়বদু ওইগনি। লমদম অসি অঙম-অঙম্বনা পান্নদুনা লৈরবদি ঐখোয় পুম্নমক্কী মাঙজবা হায়বদু ওইগনি। মরুওইনা লুচিংবশিংনা তশেংনা মরমদমবু নুংশিবা চঙই।

❐ য়াঙস্বম শ্যামসুন্দর, থাংমৈবন্দ য়ূম্নাম লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা
hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৭।০৬।২০২১ ইং, শগোলশেল;
ইঙাগী ৭নি পানবা।

মেষ: লৈফম ফংবা, অপানবা চঙবা অমদি লন চাওখৎপা নুমিৎনি। ৱাখল লাঙথোকপা অমদি নুংঙাইবা ফংজগনি। হেন্না হোয়া ফবদি মতম মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা খনবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃষ: অরং অরাক চেকশিল্লু অমদি নচা ননাইগী লমদা পুক্লিং ৱাবা লৈগনি। পন্দুনা লৈরুবা লনদি ফংগনি অমদি মতাং চানা থৌনা ফুদোক্পা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চীন কন্দবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: লৌশিং চাউবা, লাইবক ফবা অমদি লেঙদবা লন ফংবৈ নুংঙাইজবা নুমিৎনি। য়ুমগী ৱা তাবনা অরুবা থবক পাঙগনি। য়েৎনবদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: অরাপ্পা মীগী মতেং লৌবনা হেন্না কান্নবা অমদি নুংঙাইবা ফংবা নুমিৎনি। হোয়াবা ফবদি নরল মাঙনিংঙাইনি অমদি ৱানোম্বা কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈহুল খঙদ্রদি কাইনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

সিংহ: নীংবা থুংবা, মীচঙ হেনগৎপা, হকচাং নুংঙাইবা হেনবা অমদি লাইবক ফবা নুমিৎনি। নীংহন্নগনু-কান্নগনি। অদুবু অশাউবদি লোইনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং পেনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কন্যা: কিদবা অমদি মতাং চানা থৌনা ফুদোকপনা লন তানশিনবা ঙমগনি। নঙগী ওইবা মীখক্তমক লোইনৌ। য়েক্লবনা য়েংশিল্লি লৈ হায়বা কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: লৈফম অমদি লৌশিং তানশিনবদি চাউনা মায় পাক্কনি। পাংঙমদবা থবক পাঙবৈ নুংঙাইবা অমদি ওইজবা ফংবা লৈ। নত্তবা থবক্তি য়াওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌরবা কাইননি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: লাইগুরুনা য়াম্না চানবিগনি, ইমুং মনুংতা নত্তনা মীয়াম্নসু থাগৎপিবা লৈ। অদুবু নাপল অমদি অনম তানবদি চাউনা মাঙগনি- ঈংথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চায়।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: নচা ননাইনা ৱারৌবা, অশাউবনা খুদোংথিবা নংবা য়াবা অমদি হোয়া ফবনা নথক থোংবগা মূক্লবা লৈ-চেকশিল্লু। শেল/মীংচৎতি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাঙথোপদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

মকর: লান্দবনা লন চাওখৎপা অমদি অফবা লৌশিং তানশিনবা ঙম্বা নুমিৎনি। নক্লবশিং লোইননা চৎলু। য়েৎনগদবা মরমদি য়াওরুনু, খুৎ চাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- চীন কনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কুম্বা: ঙসিসু নীংবা থুংই, লাইবক ফৈ, অনৌবা অশা লাক্কনি। অফবা থবক পাঙবদা নীংহন্নগনু-তৌবতবু নাইতোম পাঙগনু। হুরানবনা য়েংথিরি-কাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: নচা-ননাইগী লমদা নীংজবা থুংই, খুৎ চাউবগী কান্নবসু ফংগনি অমদি নক্লবগী মতেং ফংগনি। নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবদি মতাং চাদে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।